থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# অমম্বদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি (১)

মহৈলোয়শঙ অমা হায়বসি ছুতি মশীং অসুক্কী মতিক নুমিৎ মশীং য়ামহন্দনবা হোৎনৈ চাউখৎলবা লমশিংদদি। মরমদি, একাদেমিক য়ার অমদা অকক্লবা নুমিৎ মশীং অকক্লবা মতম অমগী ক্লাস মশীং য়াৎথোক্লগা চাউরবা সিল্লেবস অমা কোভর তৌনবা ওজাশিংবু মথৌ এসাইন তৌরিবনি। ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈ, ক্লাস মাষ্টর হায়দুনা অহানবা ক্লাস লৌবা ওজাদুনা রোল-কোল তৌবদুনা, নোংমদুগী স্কুল কারম্লম্মী নৎত্রগা কারক্লমদে হায়বই প্রমান ওইরম্মী। মদুগী ওন্ন তৈনবা, ক্লাস খুদিংগী ওজানা রোল-কোল তৌবসি, রাম লাল পোল স্কুলদা ওজা সীতলজিৎনা হেদমাষ্টর ওইরিঙৈ থেংনরকপদুনা অহানবনি। স্কুলদা ছাত্রনা ক্লাস লৈথোকপা (মিস তৌবা/য়াওদবা) হায়বসি অচৌবা মরাল (ক্রাইম) অমনি। তঙায়ফদনা নারক-য়েক্লক, নেচরেল কলামিতি থোক্তুনা স্কুলদা এবসেন্ত ওইরবসু মতিক চাবা মরম পীদ্রবদি চৈরাক পীবই চৎনবী - স্কুল খুদিংগী মেনেজমেন্তনা শেম্লম্মী। অকক্লবা মশীং শুনা ক্লাস য়াওদ্রবদি পরিক্ষা থাবা য়াহন্দ্রিবা - ‘মহাক তমফম থোকপা তমহৌদ্রে, চাংয়েং (পরিক্ষা) দা মায় পাক্লরোই তোক্লো’ হায়বনি। মরম অসিনা, অফবা লিদরনা লৈপাক ঙাকপা লমশিংদা স্কুল, কোলেজ, য়ুনিভর্সিটি কেম্পসতা একাদেমিক এটমোস্ফিয়র কায়হন্গদবা পোলিতিকল এক্তিভিজম য়ৌহন্দে, ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন শেমহল্লবসু পোলিতিকল ইনফ্লুয়েন্স চঙহন্দে। স্কুল, কোলেজ, য়ুনিভর্সিটি হায়বসি খুন্নাইগী য়ুম্বী শেম্লিবনি, অফবা মহৈরোয় শেম্লগা তুংগী লম্বী য়াৎলিবনি।



খঙদবা লৈত্রবা ৱাফম অসি ঙসি নৌনা নীংশিংজরুবা, মণিপুরগী খ্বাইদই চাউবা মহৈকোন, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা মশাগী লৈজবা ছুতি মশীংদুগী মনুং চন্দবা, মমল য়াম্লবা নুমিৎ নিফুমাথোই, মহৈরোয়শিংনা ভাইস চাঞ্চেল্লর লৌথোকউ, নৎত্রগা ফম থাদোকউ হায়বা দিমান্দদা য়ুনিভর্সিটি অসি থিংদুনা লৈবদা মণিপুর লৈঙাক অমদি সেন্ট্রেল গভর্নমেন্ট অনীমক্লা তুমিন্না ফমদুনা কুমহৈ য়েংবা অমগুম য়েংদুনা লৈবা করিগীনো? হায়বা ৱাফম অসি খল্লুবদনি।

মহৈরোয়গী ঈহৌসিনা অসুম্না মকা ফন্দ্রিঙৈ, পাউনিলখোল ওই করি ওই, কনা কানি ঙাংনরকপা তাখি - মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভি সীদি ইন্দিয়া লৈঙাকসিবু চলাইবদা রিমোৎ কন্ট্রোল পায়রিবা, শক্তি লৈবা সোসল ওর্গনাইজেসন অমগী মেম্বরনি, য়াম্না লোয়ল ওইজবনি ... মপুনা চানবা মনাইনি ... মীয়ামগী অমদি লমদমসিগী খল্লগা নত্তবা, মরন্নাই ওইবা ইন্তরেষ্টতা থবক তৌই। মীনা ঙাংনবা মীৱাবু কনানা থিংবা ঙমগনি। মীগী মচিন মেন্নবা পাঙ্গল, ফনা কনবা লৈঙাক্কীসু লৈতে, মীগী চীন্থোক ওইরল্লবা, মতমনা অদুম অচুম্বা মশক তাক্লক্কনি। অদুবু নোংমা, খুমন লম্পাক্তা পাঙথোকপা শান্নবই থৌরম অমদা, গভর্নরগা মহাক্কা তূনা য়াওবা ফঙ্কসনদুদা - মাগী ৱাঙাং, মাগী মতৌ ঐবু ইমপ্রেস তৌখিদে। ফর্ষ্ট ইমপ্রেসন ইজ দি লাষ্ট ইমপ্রেসন! হায়নবদু চুন্লেদনা! এম য়ুগী ৱাথোক থোক্লকপদা থোইনা ঙক্লা থোকখিদে। মঙা তরানি লৈরগা য়াশিন্নজখিনি খল্লম্বা - অসুম কুইথ কুইথরগা হেন্না অদুম লুশিল্লকপা! লৈঙাক লুচিংবা ময়ামগা অমুক অনীরক ফম্মিন্নরগা, ওজাশিংনা থেম্লগা, নেমথজখিগনি খল্লম্বা - ঐগী ৱাখল তায়োন্নখি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটি টিচর্স এসোসিএসন (মুটা) অমদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টাফ এসোসিএসন (মুসা) অনীমকসু ঈহৌসিগী সপোর্টতা য়াওশিল্লকপসিদি, ৱাখল মচু হোংলক্লে - ৱাথোক অসি লুরক্লে, ভি সীদা শীরিবা মরালসি লায়না লৌবা য়াদরে।

মহৈরোয়শিংনা শীরিবা মরালশিংগী মরক্তা ঐখোয়না তরায়না লৌবা য়াদবা ৱারম অহুমখক, অহানবমক্তদা নৈনবা য়াই। ১) মহাক্কী য়ুনিভর্সিটি কেরিয়রদা, একাদেমিসিয়ন অমা ওইনসু, এদমিনিষ্ট্রেটর অমা ওইনসু লৈফম থোকপা এক্সপরিয়েন্স অমত্তা লৈখিদে; ২) মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা ওক্তোবর ২৬, ২০১৬ তা ভাইস চাঞ্চেল্লর ওইনা থবক পায়র’ মতুংদা মখল কয়াগী করপ্তা প্রাক্তিস তৌই; ৩) ওফিস থেঙনাকায়, অথেঙবফাও অনওফিসল ওইবশিংগসু ফম্মিন্নৈ, ওফিসল দ্যুটিগী নমাদা ইমুং-মনুং কোয়মিন্নৈ, থবক জোইন তৌ’ঙৈদগী (চহী অমা মখায়দা) লমকোয়বগী বিলদা লুপা ক্রোরনা খুজিং ওইরগনি ... অসিনচিংবা।

তোঙান তোঙানবা চার্জ ১৫ দা য়ুম্ফম ওইবা ৱাথোকসিদা, চয়োল অহুমগী মতুংদা ভাইস চাঞ্চেল্লর মশানা নোংমা প্রেসমেনশিংগা উন্নদুনা মহাক্কী শেংদোক ৱারোল পীখিবদু করেম্নদুনা মহৈরোয়শিংনা চেজাই অমা চাইথোক্তুনা অৱায় অখুম তৌনবগী থাক অমদা চঙশিল্লকখি। মায়গা মায়গা ওনশিন্নদুনা তেবল তোক তৌনবা, য়ানদবশিং য়াশিন্নবা পুরক্লবগী মায়কৈদুদা চঙশিল্লকপগী মওংদুদি উদরি। গভর্নরনসু, সী এমনসু মরক্তা লেপ্তুনা য়াশিন্নবা পুরক্লবসু হোৎনদে। মহৈরোয়শিংগা ভি সীগা অনীতগী মরক্তা লৈনরম্বা মূক্লবদু, ভি সীগী প্রেস কনফরেন্সকী মতুংদা, ওজা অমসুং ষ্টাফশিংসু য়াওশিল্লকখি। য়ুনিভর্সিটিগী অকোয়বদা লৈরিবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনসু ৱাকৎসিদা য়াওরক্লে - ‘মণিপুর য়ুনিভর্সিটি কনসি।’

কন্নাদসু পাউতাক্লমদনা ওফিসল নত্তবা ওফিসল প্রোগ্রাম অমদা চৎখিবগী কাগী শো লোনশিনখিবা, মহৈরোয়শিংনা হাংদ্রিফাও কাদা চঙলোয় হায়দুনা চঙদ্রিবা ভিসী - অঙাং মান্দে করম হায়রোইসিগে? বুল্লেতপ্রুফ কার তোংলিবা ‘ৱাই’ ক্যেটগোরি ভি আই পি সিক্যুরিটি কোভরেজ ফঙলিবা ভি আই পি অমনি। শোদু করিগী থুগায়দে? ৱারী করিগী শানদে? প্রোফেসর অধ্য প্রসাদ পান্দেগী মীতম, অশিবা অমগুম লৌদুনা কূদা হাপ্তুনা পোৎলোয়বা, প্রোটেষ্ট অমগী খম থেংবা থাক অদু য়ৌখ্রবনি। হন্দোক্কনি হায়বা থাজদে। ভি সীনসু হন্থদা, মোদিনসু থওইদা, মোদিগী ইঙ্গিৎ ফংদবনা, বিরেনগীসু পান্থে লৈত ... মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী তম্বা ঙমদবা ঈরাং, মখা অসুম চৎখদুনা ইচাশিংগী একাদেমিক য়ার অমা মাঙবগী থাক অদু নকশিল্লক্লবরা? ইথন্তা ইদোম হংজবনি।

লৌশিং পুক্কে

# মাইগ্রেন : মীওই চাদা ১৫ না মায়োক্লরিবা অনাবা

মাইগ্রেন হায়বসি মতম শাংনা লোয়নদুনা লাক্লবা ন্যুরোলোজিকেল দিসওর্দর অমনি। অনাবা অসিনা মরম ওইরদুনা কনাগুম্বা অমবু য়াম্না তোয়না কোক চিকহনবগা লোয়ননা ওটোনোমিক নর্ভস সিম্পটম কয়ামরুম মায়োক্ল হল্লি। গ্রীক ৱাহৈ “হেমিক্রেনিয়া” দগী শেমদোক শাদোক্তুনা মমিং থোনখিবা মাইগ্রেনগী ৱাহন্থোক্তি কোক্কী নাকল নাম্মখক্তদা চৈথোখোল ফাওবা হায়বনি।



লায়না অসি লৈরবা মীওইশিং কোক নাকল নাম্মখক্তা চীক্কনি অমসুং পুং ২ দগীনা পুং ৭২ ফাওবগী মনুংদা তপ্পা তপ্পা অমুক ফখিনি। মসিগা লোয়ননা ওনিংবা, ওবা, মঙাল উবা য়াদবা, অহৌবা মখোল তানিংদবা অমসুং মখল অমত্তগী মনম নম্বা য়াদবা থেংনগনি।

লায়না অসি ঈশিং নুংশিৎনচিংবা অকোয়বগী ফিভম অমদি ঈ মরীগী ওইবা মরম্না ওইহল্লকপনি হায়না থাজনরি। শরুক অহুম থোকপগী অনীদি ইমুং মনুংগী ওইবা ঈ মরীদগী ওইহল্লকপনি। হকচাংদা য়াওবা হোর্মোনগী খল হোংলকপনসু মাইগ্রেন ওইহল্লকপদা চাউনা মতেং পাংই।

নহা ওইরিঙৈদদি লায়না অসিনা নুপীমচাশিংদগী নুপামচাশিংদনা হেন্না শোকহল্লি অমসুং অহল ওইশিল্লক্লবা মতমদনা নুপাদগী নুপীনা হেল্লি। মীরোল্লিঙৈ মনুংদদি মাইগ্রেনগী রিস্ক হন্থরকই। হৌজিক ফাওবা লায়না অসিগী চপ চাবা মেকানিজম খঙবা ঙমদ্রি। অদুম ওইনমক ন্যুরোভাস্কুলর দিসওর্দর অমনি হায়না থাজনরি। মালেমগী ওইনা অপুনবা মীশিংগী চাদা ১৫ রোম পুন্সিগী মতাং অমা নৎত্রগা অমদা মাইগ্রেনগী চৈথেং ফংলি।

মাইগ্রেন নারবা মীওই চাদা ৩০ রোমদা কোক চীকপা হৌরক্কদৌরে হায়বা মাঙজৌননা ইঙ্গিৎ পীরকপগা লোয়ননা ওনিংবা ফাওরকই। কোক চিকপগী চাং, মতম অমসুং কয়াম তোয়না হৌরকপগে হায়বগী মতাংদদি মী অমগা অতোপ্পা অমগা মান্নদে। পুং ৭২ দগী হেন্না শাংনা কোক চীক্লবদি মদুবু ষ্টেটস মাইগ্রেনোসস কৌই।

মাইগ্রেনগী তাঙ্কক মরি থোক্না খায়দোকই। কোক চীকপা হৌরক্কদবা পুং নত্রগা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা ওইবা ফিভম অদুবু প্রোদ্রোম কৌই। হৌরমদাই ঙাইহাক্কী মমাঙদা ওইবা ফিভম্নুনা ওরা; কোক চীক্লিঙৈ মনুংবুনা পেন ফেজ নৎত্রগা হেদেক ফেজ অমসুং লোইখ্রবা মতুংবুনা পোষ্টদ্রোম কৌই।

লায়না অসি ওইহল্লকপগী চপ চাবা মরম খঙবা ঙমদ্রিবা তারবসু অকোয়বগী ঈশিং নুংশিৎ অমদি হকচাংগী জিনদা অশোয়বা লৈবদগী ওইহল্লকপনি হায়না থাজনরি। ৱাখল ৱাবা, কা হেন্না চাক লাম্বা অমসুং চোকথবনা কোক চীকপা হৌহল্লকপা য়াওই। কনাগুম্বা খরদি অকক্লবা চীঞ্জাক মখল খরা চারুবদগী কোক চিকপা হৌরকই। অদুবু চীঞ্জাক্কা মাইগ্রেন এটেক্কা মরী লৈনবগী চপ চাবা খুদম হৌজিকমক্কী ওইনদি ফংবা ঙমদ্রি।

সাইন অমদি সিম্পটমশিংদা য়ুম্ফম ওইরগা লায়না অসিগী চপ চাবা লায়ওং খঙদোক্লবা হোৎনৈ। মাইগ্রেননি হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদবা মতমদদি ন্যুরোইমেজিং টেষ্ট কয়া তৌদুনা কোক চীকপগী অতৈ অতোপ্পা মরমশিং খঙদোক্লা হোৎনবা মথৌ তাই। ইন্টরনেশনেল হেদেক সোসাইটিগী মতুং ইন্না “৫, ৪, ৩, ২, ১ ক্রাইটরিয়া” মখাদা মাইগ্রেন দাইগনোস তৌই। কনাগুম্বা মীওই অমা মঙারক্তগী তাদনা কোক চীক্লবা; পুং ৪ দগীনা নুমিৎ হুমনি ফাওবা ফৎত্রবা; কোক তঙ্খায় অমত্তং চীকপা, ওনিংবা, ওবা, মঙাল উবা য়াদবা অমসুং মখোল অমত্তা তানিংদবা থোক্লবদি মীওই অদু মাইগ্রেন নারে হায়বা খঙবা ঙম্মী।

মাইগ্রেনগা লাইওং মান্নবা মওংদা কোক চিক্লকপা অতৈ অতোপ্পা লায়নাশিংদি টেম্পোরেল অর্টরাইটিস, ক্লষ্টর হেদেক, একুট গ্লোকোমা, মেনিঞ্জাইটিস, টেন্সন হেদেক অমসুং সবরাকনোইদ হিমোরেজনচিংবনি।

লায়না অসি লায়েংনবা লৌখৎপা য়াবা থৌরাংশিংদি হীদাক লাংথক চাবা, ন্যুত্রিশনেল সপ্লিমেন্ট শিজিন্নবা, পুন্সি মহিং শেমদোকপা অমসুং ওপরেশন তৌবনি। করিগুম্বদা চয়োল অমগী মনুংদা নুমিৎ নিনিদগী হেন্না কোক চিক্লবা অমসুং হিদাক লাংথক চারবসু কোক চিকপা ফৎতবা তারবদি মথক্তা পল্লিবা থৌরাংশিং অসি লৌখৎপা য়ারে।

খুদোংচাদবা অসিদগী মাঙজৌননা ঙাকথোক্লবা লৌখৎপা য়াবা থৌরাংশিংদি পুন্সি মহিং শেমদোকপনি। খুদম ওইনা হায়রবদা কনাগুম্বা মীওই খরা কোফি কা হেন্না থক্লুবা নত্রগা মৈখু শিজিন্নবা, নৎত্রগনা য়ু থক্লুবদগী মাইগ্রেন এটেক হৌরকপা য়াওই। মরম অদুনা হায়রিবা হৈনবীশিং অসি থাদোক্কদবনি।

কনাগুম্বা নুপী খরদি থাগী খোঙকাপ লাক্লমদাই নৎত্রগনা লাক্লিঙৈ মনুংদা মাইগ্রেন হেদেক মায়োক্লবা য়াওই। মরম অদুনা য়ারিবমখৈ হেঞ্জিন্না ৱাখল খন্দনবা হোৎনগদবনি। খ্বাইদগী ফবা পান্থেদি য়োগা, মেদিটেশন অমসুং নিংশা শ্বর শাংনা হোন্দুনা শান্নবনি।

## মণিপুরগী লমখৈ মাংহনবা য়ারোই : সোসাইটি

ইম্ফাল, জুলাই ১১ (ঐচ এন এস) :

ইপা-ইপুশিংনা লমখৈগীদমক্তা থৱায়না পোন্থা ওইখি। লমখৈ কায়হনবা হায়বসি শিবা নাইদ্রবা ইপা-ইপুগী থৱায় মীরেনশিং অদুনা পেল্লমগদ্রা হায়না ওল ইন্দিয়া কংলা পাখংবা টেম্পল দিভলপমেন্ট সোসাইটিনা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

সোসাইটি অসিগী সেক্রেটরি ঈংবা মঙাঙ য়ুম্নামচানা থোকপা চেরোল অমনা হায়, লমদম অসিদা খুন্দারকপা চীংবুরোয়-তম্বুরোয়না করি লাল্লুবগীনো হঞ্জিন হঞ্জিন মাংহনবীরিবা, লাইনিং মাংহনবীরে, ইচিল-ইনাও তোখায় তাহল্লে, ইপা-ইপুগী পরম খঙদনবা, পুয়া মৈ থাদোকপীখ্রে, শেন্মীৎলোন নেম্নবা লমখৈ মাংহনবীরে, মসি পুম্নমকসি মতম শাংনা হোৎনরকপা মৈতৈগী চীং-তম মুখৎনবা লাল্লোং অমনি। কুমজা ১৪৭৫ তা মৈদুংঙু কিয়াম্বা অমদি বর্মা নিংথৌ খি খোম্বগা য়ানখিবা লমখৈ অদু ইরাৱাদি তোর্ব্বান ফাওবনি। কুমজা ১৮১৯ দগী কুমজা ১৮২৬ ফাওবা চহী ৭ খুন্তাকপদা লমখৈ মাংহনখি। কুমজা ১৭৩৮ পামহৈবনা নিংথৌ ওইবা মতমদা ইরাৱাদি তোর্ব্বানগী য়েৎথংবা সঙাইং কোং মুদো পেগোদা ফাওবা মণিপুরগী লমখৈনি। কুমজা ১৮৩২ গী মেপ ওফ মেন লেন্দ সাউথ ইষ্ট এসিয়া অরাকান, অসাম বর্মিজ, কম্বোদিয়া, লাউস, মণিপুর অমসুং থাইলেন্দ অসি দি লন্দন এটলাস ওফ য়ুনিভর্সেল জিওগ্রাফিনা কুমজা ১৮৩৮ তা এদোপ তৌবদা য়াওরিবশিং অসি নৈনবা অমদি খঙবা তঙাইফদে। মণিপুরগী লমখৈ অসি স্কোৱার কিলোমিটর ১,৬০,০০০ নি। মসিবু হেক্তা য়েকশিনবা য়াবা মেপলা। মেপ অসিদা য়াওরিবা অতোপ্পগী লমখৈশিংদি অমত্তা কায়দে। মণিপুরগীনা করম্না কায়রিবনো হায়না হংলক্লি।

বোর্দর পিল্লর নম্বর ৮১ ক্বাথা খুনৌদা হেঞ্জিল্লক্লিবা পিল্লর অসি কিলোমিটর ৩ কোনশিল্লক্লে হায়রিবসিসু অশেংবনি। অমরোমদা, কিলোমিটর ৮ চঙশিল্লগা জৱাহরলাল নেহরু পিল্লর হায়না খঙনবা মফম লৈরি হায়না ফোঙদোক্লরক্লি। মতম অদুদা য়ুংলম্বা পিল্লরগী মফম খঙবা অমদি পিল্লরদু থুগায়রগা হোংজিল্লকপা খঙবা, থুগায়বগী অকায়বা মচেৎশিং হৌজিক ফাওবা লৈরি হায়না বোর্দর লৈরিবা খুঞ্জাশিংনা ফোঙদোক্লরক্লি।

পঞ্জাব অমদি বেঙ্গোলগী লমখৈ খিজিক্তং মাঙবগী ইন্টরনেসনল কোর্ট ওফ জষ্টিসতা কেস ফাওবা তৌই অমদি মশিং খঙদবা ইন্দিয়ন আর্মি থাজিন্দুনা ঙাকহল্লি। মণিপুরগী অসুক চাউখ্রবা লমখৈ অসি থেংখাং কয়াদা মাংলিবসিদি করিগী সিফাই থাজিন্দ্রিবনো হায়না হংলক্লি।

বোর্দর পিল্লর নম্বর ৩২ দগী ৪৮ ফাওবা চুড়াচান্দপুর অমদি বোর্দর পিল্লর ৪৯ দগী ৮৯ ফাওবা চান্দেল অমদি বোর্দর পিল্লর ৯০ দগী ১৩০ ফাওবা উখ্রুলনি অমদি লমখৈ অসি কয়া য়াম্না শোকচিল্লে অমদি কয়া য়াম্না মাংলবগে হায়বসি খঙবীদুনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি মণিপুর লৈঙাক্লা ঙাক্কদবা নত্তবরা হায়না ফোঙদোক্লরক্লি। ইন্দিয়ন কনষ্টিট্যুসনগী আর্টিকল ৩ খোঙ্গাওনরে। অন-কনষ্টিট্যুসনল ওইরে। মরম অদুনা মীশি-মীনা থোক্তুনা কাং-খোং চাইগদবদগী কনবীনবা থৌদাং লৌদুনা সোল্যুসন পুরক্লবা হোৎনবীয়ু হায়রি।

## নেসনল লোক অদালট পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, জুলাই ১১ (ঐচ এন এস) :

ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, থৌবাল, বিষ্ণুপুর, উখ্রুল অমসুং চুড়াচান্দপুরদা থা অসিগী ২৮ দা নেসনল লোক অদালট পাঙথোক্কনি হায়রি।

মণিপুর লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিটিগী ইন-চার্জ মেম্বর সেক্রেটরি আর কে মেমচানা থোকপা চেরোল অমনা হায়, নেসনল লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিটি (এন এ এল এস এ) গী দিরেক্তিব মখাদা থা অসিগী ১৪ দা দিষ্ট্রিক্ট হায় কোর্ট কমপ্লেক্সতা অমদি দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা নেসনল লোক অদালটকী থৌরম পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা অদু রথ যাত্রা ফেষ্টিবেল থা অসিগী ১৪ দা তাবনা ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, থৌবাল, বিষ্ণুপুর, উখ্রুল অমসুং চুড়াচান্দপুরগী ওইনা থা অসিগী ২৮ দা মীয়ামগী খুদোংচাবা য়েংদুনা পাঙথোক্কনি।

অদুম ওইনমক থা অসিগী ১৪ দা সেনাপতি, চান্দেল অমসুং তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী কোর্ট কমপ্লেক্সশিংদা নেসনল লোক অদালট পাঙথোক্কনি হায়না মণিপুর লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিটিগী চেরোল অদুনা মখা তারি।

## স্কিল দিভলপমেন্টতা পূক্নিং চঙবগী তঙাইফদবা লৈ : এম ঐচ খান

ইম্ফাল, জুলাই ১১ (ঐচ এন এস) :

লৈবাক অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্তা লৈঙাক্লা থবক পীবা ওইথোক্লোইদবনা হৌগৎলক্লিবা নহারোলশিংনা তোঙান তোঙানবা শিন্ফমদা হৈথোই-শিংথোইনবা স্কিল দেভলপমেন্টতা পুক্নিং চঙবা মথৌ তাই হায়না মণিপুর লৈঙাক্কী রুরেল দেভলপমেন্ট এন্দ পঞ্চায়টি রাজগী এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি এম ঐচ খান, আই এ এসনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ রুরেল দেভলপমেন্টকী মখাদা মণিপুর ষ্টেট রুরেল লাইবলিহুদ মিসননা স্পোন্সর তৌরগা দিন দয়াল উপধ্যাই গ্রামিন কৌশালিয়া যোজনা প্রোজেক্ট ফুদ এন্দ বিভরেজ ট্রেনিং সেন্টর অমা মন্ত্রিপুখ্রিদা গ্যানয্যোতি ফাউন্দেসন গুৱাহাটিনা শীন্দুনা হাংদোকপগী থৌরমদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীবদা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

এম ঐচ খাননা হায়খি, অসিগুম্বা থৌরাংশিং অসিনা মণিপুরগুম্বা পোটেন্সিয়ল লৈবা ষ্টেটতা য়াম্না চাউনা কান্নবা পীগনি। মণিপুরী অপুনবা মীশিং লাখ ৩০ রোমগী মনুংদা শুপ্নগী লিশিং খরখক গভর্নমেন্টকী থবক তৌই। থবক ফংহৌদবা অতৈ মীওইশিংনা ফুদ এন্দ বিভরেজ, হোস্পিটালিটি, কম্প্যুটর ট্রেনিং অমদি অতৈ হীরম কয়াদা স্কিল লৈবা তারবদি মশানা মশাবু থবক পীজবগা লোয়ননা অতৈ মীওই কয়াবুসু থবক পীবা ঙমগনি।

থৌরম অদুদা গ্যানয্যোতি ফাউন্দেসনগী দিরেক্তর দা. প্রনাপ বাইশ্যা অমদি মণিপুর ষ্টেট রুরেল লাইবলিহুদ মিসনগী ষ্টেট মিসন দিরেক্তর এম জে প্রদিপ চন্দ্রেন আই এ এসনা মথংশিংনা প্রসিদেন্ট অমদি গেষ্ট ওফ ওনর ওইখি।

## ‘এম য়ুগী ৱাথোক লোইশিনবীয়ু’

ইম্ফাল, জুলাই ১১ (ঐচ এন এস) : হাওমি রিসার্চ গিল্ড (ঐচ আর জি) না মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী হৌজিক ওইরিবা ৱাথোক অসিবু হকচিন্না লৌবগা লোয়ননা য়ুনিভর্সিটি অসিগী একাদেমীক এক্তিভিটিষ্ট অমসুং এদমিনিষ্ট্রেসন্দা অকায়বা পীরে হায়না ফোঙদোরক্লি।

হাওমি রিসার্চ গিল্ডগী কনভিনর এস এ জোনা জিমিকনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, হৌজিক ওইরিবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী চরাংনবা অসিগী মপুং ফাবা ৱারোইশিন অমা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা পুরকপগী মহুত্তা খঙশিন-উশিন্নদনা লৈথোকপা অসিনা সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটি অসিগী ফীভম হেন্না ফৎহন্দ্রে। মরম অদুনা গিল্ড অসিনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী পূক্নিং চিংশিন্দুনা মহৈরোয় খুন্নাই অমদি এম য়ুগী ভাইস চাঞ্চেল্লরগী মরক্তা লৈরিবা ফীভম অসি শংদাইননবা হোৎনবীয়ু হায়বা ৱাফম ফোঙদোরক্লি।

গভর্ণর ডা. নজমা হেপ্তুলাদসু ইন্দিয়ন কনষ্টিট্যুসনগী মতুংইন্না অমদি মণিপুরগী মীয়াম থোইদোক হেন্দোক্লা য়েংশিনবীদুনা খুদক্তা খুৎ থিংজিনবীয়ু হায়না চেরোল অদুনা আপিল তৌরক্লি।








